**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 23-06-2026)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২৩-০৬-২০২৬, লৈবাকপোকপা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি-চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংগা, উমং অমদি লৌফমশিং ঙাকশেন্দুনা থম্বগী থবক্কা থোং মান্ননা পায়খৎকনি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা কাংপোকপী জিলাদগী নোংমৈ ১৮ য়াওনা খূৎশু খূৎলাই কয়ামরুম ফাগৎলে।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারত অসি মালেমগী শক্তি লৈরবা লৈবাক অমা ওইরকবগী মাইকৈদা লেপ্তুনা চংশিল্লক্লি।

----

**সিএম(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি-চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং অমসুং উমং অমদি লৌফমশিং ঙাকশেন্দুনা থম্বগী থবক থোং মান্ননা পায়খৎকনি।

মুখ্য মন্ত্রিনা থাদোরকপা ব্রারোল অমদা হায়-মণিপুরদা লম শিজিন্নবগী

মওং মতৌশিংদা অহোংবা পুরকবগী মতাংদা ইম্ফালদা লৈবা মহাক্কী সেক্রেটরিয়েটতা লেন্দ রিসোর্সেস দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংগা উন্নদুনা হীরম অসিগী মতাংদা হন্না য়েংশিনবগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংসু পায়খৎতবা য়াদে। অদুম ওইনমক, উমংগী লম অমসুং লৌউ শিংউ তৌনরিবা মফমশিং ঙাকশেন্দুনা থম্বা হায়বসিসু তঙাইফদে। মরম অদুনা, লম শিজিন্নবগী মতাংদা মীৎয়েং শানবা থৌশিল থৌরাং অমা পায়খৎপা হায়বসি তৌদ্রবা য়াদ্রবা য়ামমক তঙাইফদবা অমনি।

**সিএম-২(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা হাই লেভেল তাক্স ফোর্সকী মীফমনা রাজ্য অসিদা শিজিন্নবা কোন্ননবা য়েরুম, মিট, ঙা, শঙ্গোম অমসুং অতৈ মরী লৈনবা পোখোকশিং মরাং কাইনা পুথোকবা অমসুং মনিপুরগী ৱাংমদা থাদোকপা ঙমবগী মতাংদা খন্নখ্রে। খোঙথাং অসি দোনরগী রিজনেল দেভলপমেন্ট ইন্নিসিয়েতিভকী মখাদা পায়খৎকদবনি। ভেতরিনরি এন্দ এনিমেল হজভেন্দরি বিভাগকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংগসু উন্নদুনা এস.এ.এস.সি.আই স্কিম চৎনহনবগী মতাংদসু হন্না য়েংশিনখি। উন্নবা অদুদা, রাজ্য অসিদা বিভাগ অসিনা পীরিবা সার্ভিসশিং হেন্না ফগৎহন্নবা য়েন-ঙানু অমসুং ওকনচিংবা লোইবগী ফিভম ফগৎহনদুনা রাজ্য অসিগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবদা মতেং পাংনবা ৱাফমশিংসু খন্নখি।

**সিএম-৩ (এল)ঃ** ইন্তরনেসনেল ওলেম্পিক ডে ২০২৬ কা মরী লৈননা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-কুমসি চহীগী পালন নুমিৎ অসিগী হীরম- নহাকা মসি তৌবা ঙমগনি হায়বা অসিনা ঐখোয়গী ইশাদা লৈরম্বা চিংনবশিং কোকহন্দুনা শান্ন-খোৎনবা অমসুং শাজেল তৌদুনা হশানা ইশাবু থাজনবা হেনগৎহনবা ঙল্লগনি।

ঐখোয়না শান্ন-খোৎনবগী হৈথোই শিংথোইবশিং য়োকখৎতুনা হেন্না

মশক মঙাল থোকহল্লসি। মরুপ মপাং ওইবগী ৱাখল্লোন অমসুং অমনা অমবু ইকাই খুমবগী ৱাখল্লোনসু হেন্না ফাওহনবা ওইরসনু হায়রি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা কাংপোকপী জিলাদগী নোংমৈ ১৮ য়াওনা খূৎশু খূৎলাই কয়ামরুম ফাগৎলে। কাংপোকপী জিলাগী মনুং চন্না লৈবা লৈলোন ৱাইফৈ, লৈলোন মুনলুই, মোলহোই, পি.মোলদিং, লৈলোন খুনৌ অমসুং অকোইবা মফমশিংদা মণিপুর পুলিস, সি.আর.পি.এফ, আর.এ.এফ, কোব্রা অমসুং লান্মীগী অপুনবা কাংবু অমনা ওপরেসন চথবদা খূৎশু খূৎলাইশিং অদু ফাগৎখিবনি।

রাজ্য পুলিসকী কন্ট্রোল রুমা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-নুমিৎ নিনি চুপা চথখিবা ওপরেসন অদুদা এ.কে-ফোর্তি সেভেন রাইফল ২, এম.ফোর কার্বাইন ১, এস.এল.আর ২, এস.কে.এস রাইফল ১, ইম্প্রোভাইস স্নাইপর থ্রি নোট থ্রি রাইফল ১, এস.বি.এল রাইফল ১১, নোংমৈ মরুশিং অমসুং ঈ-পাউ ফাওননবা ইক্বিপমেন্টশিং ফাগৎলে।

অমরোমদা, অককবা পাউশিংদা য়ুমফম ওইদুনা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবা অমসুং আইননা য়াদবা থবকশিংদা চেন্নবা মীওইশিং ফাগৎপসু লেপত্রি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌবাল বজারদগী কে.সি.পি(এম.এফ.এল)গী মীওই অনি ফারে। মখোয় মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়রি। খুমন লম্পাক্কী আই.এস.বি.টি মনাক্তগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা আর.পি.এফ(পি.এল.এ)গী মীওই অমা ফারে হায়রি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-ভারত অসি শেল থুমগী লমদা খোঙজেল য়াংনা চাউখৎলক্তুনা মালেমগী শক্তি লৈরবা লৈবাক অমা ওইরকবগী মাইকৈদা লেপ্তুনা চংশিল্লক্লি।

নিউ দেল্লিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা

হায়-লৈবাক্কী ওইবা ৱাফমনা পুমমক্তগী মাং থানা হোৎনগদবনি হায়বা ৱাখল্লোনদা হৌখিবা চহী ১২ অসিদা কন্না হোৎনরকপগী মহৈনা ফিভম অসি ওইরকপা ঙম্লিবনি।

**মৈঃ** উট্টর প্রদেশকী লখনৌদা লৈবা আলিগন্স এরিয়াদা থোকখিবা মৈ চাকপগী থৌদোক অমদা অয়াম্বনা মহৈরোইশিং ওইবা পুন্না মীওই ১৫ শিরে। মহৈরোই ৬ না শোক্লে। থৌদোক অদু এনিমেসন কোচিং সেন্তর অমদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুবু রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, উপ রাস্ত্রপতি সি.পি রাধাকৃষ্ণন অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা থমোয় শোকা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। থৌদোক থোকফমদা মুখ্য মন্ত্রি য়োগী অদিত্যনাথনা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে।

**ফিফাঃ** ফিফা ৱার্ল্ড কপ-২০২৬ কী ঙসি অয়ুক অঙনবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ফ্রাঞ্চনা ইরাকপু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে। অয়ুক পুং ৫ মখায়দগী নোরৱে অমসুং সিনেগলগী মরক্তা শান্নবা মেটচতা হৌজিক ফাওবদা নোরৱেনা পাঞ্জল ১ চন্দুনা মাংজিল থারি। ঙসি অয়ুক পুং ৮ মখায়দা জোর্দান অমসুং অর্জেরিয়া শান্নগনি। অদুগা, নুমিদাং পুং ১০ মখায়দনা পোর্তুগলগা উজবেকিস্তানগা শান্নগনি।

ঙরাং শান্নখিবা মেটচশিংদা- অর্জেন্তিনানা ওস্ত্রিয়াবু পাঞ্জল ২-০ দা অমসুং ইজিপনা নিউজলেন্দবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি। অদুগা, উরুগুৱে অমসুং কাবো ভরদিগা শান্নবা মেটচ অমদনা পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

জিরি লম্বীদা লম্বী থিংলম্বশিং তকথোক্লগা গারিশিং চৎহনখ্রে, কোব্রা য়াওনা কম্বাইন ফোর্সনা চখুখিবা ওপরেসনদা নোংমৈ কাপখ্রে, চিংনবা মফম কোইশিল্লগা থমখ্রে, তৌহৌদবা থবকশিং ফুকৎলগা থাংজ ছুতি ওইহল্লগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা- জিরি লম্বীদা লম্বী থিংলম্বশিং তকথোক্লগা গারিশিং চৎহনখ্রে, কৈথেলমানবী পুলিসকী ও.সি শিন্দোক্ত্রবদি দ্রাইভরশিং খোঙজং চংশিল্লক্কদৌরি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

পাউ অসি- সনালৈবাক্তনা, এন.ঐচ থিংলম্বশিংগা সেক্যুরিতি ফোর্সকা মুকখ্রে, খোঙজংলোই অহুম শোক্লে, কোটুনা লাউথোকখিবা মতম কক্তবা ব্লোকেট হন্দোকখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি। পাউ অসি- পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙনরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- ঈরাং অসিনা অঙাংশিংগী চয়োল অহুম সম্মর ভেকেসন থাগদবদু চয়োল অমদা তেনশিল্লে, দিপার্টমেন্টশিংগী পেন্দিং লৈহৌরিবা থবকশিং লোইশিনবগা হান্নগুম থাংজ ছুতি থাগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

অঙাংশিংবু মমা লোলদা লাইরিক তম্বীরগদি খঙবা থুগনিঃ চিফ মিনিষ্টর হায়বা পাউ অসি- পোকফমদা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

ফাজিনখিবা এ.টিগী মেম্বরশিং থাদোকবা গভর্ণরদা তকশিনখ্রে, খোঙজং চংশিনখ্রে হায়বা পাউ- পিপলস ক্রোনিকলদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

হুইয়েন লানপাউদা- কোব্রা য়াওনা কম্বাইন ফোর্সনা লৈলোন ৱাইফৈ অমসুং খুল খরদা নুমিৎ হুমি চুপা ওপরেসন চত্থবদা খূৎ থোকখ্রে, শিঙ্গল অমসং দবল বেরেল য়াওনা নোংমৈ ৪০ রিকোভর তৌরে হায়বা পাউ অসি মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

এন.ঈ.পি ২০২০ নিংথিনা থবক্তা ওন্থোকবা পুন্না হোৎনমিন্নসি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম- মণিপুর মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা- সরকারগী কর্মচারিশিংনা মাস কেজ্যএল লিভ লৌদুনা খোঙজং চংশিনখ্রে হায়বা পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- সেনাপতিদা এস.এস.সি এগজামিনেসন সেন্তর থম্বীনবা সেনাপতি দি.সিনা এস.এস.সিগী রিজনেল দাইরেক্তরদা চেইখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- জোইন্ট সেক্যুরিতি ওপরেসনদা কাংপোকপী জিলাদগী য়াল্লবা খূৎশু খূৎলাইশিং ফাগৎখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

তামেংলোং তাইমসতা- থাদোই য়ুমামনা মিস য়ুনিভর্স মণিপুর তাইতল লৌখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাহন তৌরি।

**--পাড লোইজরে--**